# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-08-2026)**

**এমশু (এল)ঃ** ৬১ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমিৎ ঙসি ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা পাঙথোক্লি।

কুমজা ১৯৬৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা চাক লাপ্লে, চেং পীয়ু হায়দুনা মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদা মহৈরোই অহুম-ওইনাম নবাকুমার, ৱাইখোম নিলামণি অমসুং নোংমৈকাপম প্রমোদিনি লৈখিদে। অকাশবানি ইম্ফালগী দ্রাইভর লাইশ্রম চাউভলসু নোংমৈনা পানবদগী লৈখিদে। থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা এমশুনা চহি খুদিংগী নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা য়াকাইরোল শক্তুনা নীংশিং থৌরম অসি হৌখি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা ইম্ফালগী পিশুম চিংঙামচা লৈবা মহৈরোইশিংগী নীংশিং খুভমদা লৈ-শু কৎতুনা লৈখিদ্রবশিংগা মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি। তুংদা, দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা এমশু হেদক্কাটরস ফাওবা মীয়ামগী রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি। মদুগী তুংদা, মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী টি-খুল্লেনদা হাংদোকপা চেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা পোৎলম গ্রাম ৩৬০ গা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অসি থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবী তুরেল অহনবীদগীনি। মহাকা পোৎলমশিং অদু ভেন অমদা সাপোন কেপ ২৭ তা হাপ্পুনা পুরম্বনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা

কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী লাঙথেল পি.ঐচ.সি. মনাক্তগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদু তেকচম ময়াই লৈকাইদগীনি।

**রেলৱেঃ** রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-ভারতকী রেল লম্বী য়ামা চিনবা মফমশিংদা লেন্দ মরিগী রেল লম্বী শেমগৎনবা হোৎনরি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বৈসনোনা হায়-লৈবাক অসিগী রেল ত্রাফিক্তা খ্বাইদগী চাউনা মফম কল্লিবা চাউরাকা কিলোমিটর লিশিং ১১ রোম শাংবা রেল লম্বী তরেৎ লৈরি। লম্বীশিং অদুদি-দিল্লি-হাউরা, হাউরা-চেন্নাই, চেন্নাই-মুম্বাই, মুম্বাই-দিল্লি, দিল্লি চেন্নাই, মুম্বাই হাউরা অমসুং দিল্লি গুৱাহাতিনি। হায়রিবা রেল  লম্বীশিং অসিনা লৈবাক অসিগী অপুনবা রেলৱে ত্রাফিক্কী চাদা ৪১ অমসুং রেলৱে নেটৱার্ককী চাদা ১৬ কোনশিল্লি। হায়রিবা রেল লম্বী তরেৎ অসি লেন্দ মরি ওন্দুনা শেমগৎলবদি লৈবাক অসিদা পেসেঞ্জর অমদি পোৎ-চৈ পুথোক পুশিনগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইনা খুমাং চাডশিনবা ঙমগনি।

**প্রহ্লাদঃ** কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা হয়ার এদুকেসন অমসুং স্কুল এদুকেসনগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসিএলশিং য়াওবা মীফমনা লৈবাক অসিদা হৌজিক ওইরিবা শিক্ষা পীবগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী যোসিনা হায়-লৈবাক অসিদা মহৈ মশিং তম্বগী লম অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎনবগী পান্দমদা হন্না য়েংশিনবগী মীফম অদু পাঙথোকপনি।

**ভারত-যুএসঃ** ভারত অমসুং আমেরিকানা সিভিল ন্যুক্লিয়ারগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱাশিংটনদা ঙরাং ভারতকী এটোমিক ইনর্জি কন্মিসনগী চেয়ারমেন-অজিৎকুমার মোহানতিনা আমেরিকাগী ইনর্জি সেক্রেটরি-খ্রাইস রাইটকা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সিগী এটোমিক টেকোলোজি লাইসেন্স পীবগী মাংওইননা পাঙথোকপা মীফম অমদা লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নখি।

**ভারত-চাইনাঃ** ভারত অমসুং চাইনানা ঙমখৈ লমদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা অমসুং লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মায়কৈদা থবক তৌমীন্ননবা য়ান্নখ্রে।

বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ২৫ শুবা তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নবা অমদা ভারত অমসুং চাইনাগী স্পিসিএল রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী মরক্তা য়ান্নবা অসি পুরকখিবনি।

**নেপালঃ** নেপালদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদগী মীওই ৫০০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি। মসিগী মনুংদা ভারত মচা ১০০ হেন্না য়াওরি।

টিবেত বোর্ডর ময়াদা লৈবা ভোতেকোচি তুরেলদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা রাসুৱা লমদমদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও মায়োকখি। ঈশিং ঈচাও নংলবা মফম অদুদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪৬ গী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমলে। মীওই ৯৩ না াঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কনবা ঙমলে হায়রি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নেপালগী ঈশিং ঈচাও অদুদা অৱাবা নংলবা মীয়ামগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। নেপালগী রাস্ত্রপতি-রামচন্দ্র পাউদেলদা থাবা অৱাবা ফোংবগী পাউজেল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-অৱাবা নংলবা মতম অসিদা ভারতনা নেপালগী মীয়ামগীদমক অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা অৱাবদা শরুক য়ারি। থৌদোক অদুদা অৱা অনা নংলবা মীয়ামদা ভারতকী মায়কৈদগী পীবা য়াবা

মতেংশিং পীরগনি।

উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনসু থৌদোক অদুদা মীওই কয়া লৈখিদবা অমসুং কয়া অমনা অৱা-না নংহনখিবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নেপালগী প্রধান মন্ত্রি-বালেন্দ্র সাহ্দা থাবা অৱাবা ফোংবগী পাউজেল অমদা হায়-অৱাবা নংলবা নেপালগী ইচিল ইনাও অমদি ইচে-ইচলশিংগীদমক ভারতনা অমত্তা ওইনা লেপলি। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা ভারতকী টিমশিংসু শরুক য়ারি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ভারতনা তঙাইফদবা হিদাক-লাংথকশিং য়াওনা টোন ১০ রোমগী তেংবাংগী পোৎলমশিং নেপালদা থাখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সি.এম. খেমচান্দনা অমৃত সাহ অমসুং কিরেন রিজিজ্ উন্নখ্রে। মীয়ামগী অপান্বা থুংহন্নবগী থাজবা পীরক্লে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। নেপালগী খঙহৌদবা ঈচাওদা মী ৯৮ শিরে, ইন্দিয়া মচা য়াওনা মী চা কয়া থিবা খঙদ্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা-অমৃত সাহ ওক্তোবরগী অহানবা চয়োলদা মনিপুরদা লাক্দৌরি। এন.ঐচ. টুদা বস সার্ভিস মখা চথহনবা ঙম্বগী ষ্টেট গভরমেন্টপু থাগৎলকখি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। টেন্সন ৱাংনরিঙৈ মরক্তা গভরমেন্টনা য়ু.এন.সিগা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর-অমৃত সাহ উন্নখ্রে। মীয়ামগী অপান্বা সেন্টরনা পীগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লবসু করি পীগদৌরিবনো হায়বদুদি লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন

তৌরি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মঙাশুবা সিটি ওইনা ইম্ফালসু নেসনেল রেলৱে মেপতা য়াওগদৌরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুর লৈঙাকা তকশিল্লবদি সেন্সস য়ৈথোক্লগা এন.আর.সি. চৎনহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। চীফ মিনিস্তরনা অমৃত সাহ অমসুং কিরেন রিজিজ্ উন্নখ্রে, মচিননা থোকা পল্লক্ত্রবসু মনিপুর মীয়ামগী অপান্বা ফংহনগনি হায়রক্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-নুমিৎ হুমনিগী হাউস লিষ্টিং ওপরেসন ত্রেন্নিং চুরাচান্দপুরদা লোয়শিনখ্রে হায়বা পাউ-মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোরেদগী লাঞ্জেন্নখিবা নাগশিং রিসেট্টুলমেন্ট তৌহন্নবা নাগাশিংনা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। ইম্ফালদা ইং ২০২৯ গী জন্ থা ফাওবগী মনুংদা ত্রেন য়ৌরক্লগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-অফস্পা রিভিয়ু তৌননবা য়ু.এন. পেন্নেলনা ইন্দিয়াদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। চুরাচান্দপুরদা দেঙ্গি, তাইফোইদ অমসুং স্ক্রপ তাইফসকী কেস মশিং হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ অমসুং মরুওইবা পাড ওইনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-হোম মিনিস্তর অমৃত সাহনা ওক্তোবর থাদা সেনাপতি মেদিকেল কলেজ শানবগী উরেপ উয়ুং তমগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-নেপালগী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ১২০ গী মথক্তা শিরে। মীওই চা কয়া থিবা খঙদনা লৈরি হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ইকোনোমিক ব্লোকেডকী মতাংদা য়ু.এন.সি. অমসুং মনিপুর সরকার অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নখ্রে। চাট্টর ওফ দিমান্দশিং পীননবা য়ু.এন.সিনা তকশিল্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।